# পাকিস্টানবু নাইতোম ইন্থোক্নবা খোঙথাংদা ইন্দিয়ানা চিনা য়াওনা পি–৫তা ৱারি শাখ্রে

*ন্যু দিল্লি, ফেব্রুৱারি ১৫ঃ*

পাকিস্টানদা লৈবা টেরর গ্রুপ জৈশ–ই–মুহম্মেদনা কাস্মিরগী পুলৱামাদা কার বোম এটেক চখ্নদুনা সি আর পি এফ লান্মী ৪০ হেন্না হাৎখিবা অদুগী মতূং ঙসি গভর্ণমেন্টনা ফোঙদোকখিবদা মালেমগী ওইনা পাকিস্টানবু চপ চানা নাতোম ইন্থোক্তুনা থন্নবা ওইথোকপা য়াবা দিপ্লোমেটিক্কী ওইবা খোঙথাং পূন্নমক ইন্দিয়ানা লৌখৎলগনি হায়না ফোঙদোকখ্রে।



টেররবু স্পোন্সর তৌবদা পাকিস্টাননা লৌরক্লিবা থৌদাং অদুগী মরমদা ৱারি শানদুনা মরিকচুন্না পাউদন্নবা চিনা য়াওনা য়ুনাইটেদ নেসন্সকী পি–৫ লৈবাকশিং, দ গল্ফ, জপান অমসুং য়ুরোপিয়ান লৈবাকশিংগী এনভোয়শিং ইন্দিয়ানা উন্নবা হৌখ্রে হায়না পাউগী লিখুলশিংনা ফোঙদোক্লি।

পি–৫ হায়রিবসি য়ুনাটেদ নেসন্স সেক্যুরিটি কাউন্সিলগী পর্মেনেন্ট মেম্বর ৫– য়ুনাইটেদ ষ্টেটস,য়ুনাইটেদ কিঙদম, রসিয়া, ফ্রান্স অমসুং চিনাবুনি।

প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিগী য়ূমদা ঙসি অয়ুক পাংথোকখিবা কেবিনেট ওন কমিটি ওন সিক্যুরিটিগী মীফম অমদা গভর্ণমেন্টনা পাকিস্টানবু 'মোষ্ট ফেবর নেসন' ষ্টেটসসু ককথৎখ্রে।

য়ু এন সেক্যুরিটি কাউন্সিলগী ১২৬৭ সেঙ্কসন্স কমিটিগী মখাদা দেজিগনেটেদ টেরোরিষ্ট অমা ওইরিবা জৈশ–ই –মোহম্মেদ চীফ মাসুদ অঝার য়াওনা টেরোরিষ্টকী লিষ্টতা চনবদা শৌগৎনবা ইন্টরনেসনেল কম্যুনিটিগী মেম্বর পূন্নমক্তা ঙরাং নুমিদাংৱাইরম ইন্দিয়ানা অপিল তৌখি।

য়ু এন সিক্যুরিটি কাউন্সিলনা গ্লোবেল টেরোরিষ্ট অমা ওইনা মাসুদ অঝারবু টেরোরিষ্ট য়াওহন্নবগী হোৎনবা পূন্নমক থিংখিবা চিনাদা ময়েক শেঙনা হায়বা ওইনা পাকিস্টাননা পায়বা টেরিটোরিশিংদগী থবক তৌরিবা টেরোরিষ্ট ওর্গনাইজেসনশিং অথিংবা থন্নবসু ইন্দিয়ানা অপিল তৌখি।

য়ু এস , য়ু কে , রসিয়া অমসুং ফ্রান্সকুম্বা লৈবাকশিংনা টেরোরিজম থেঙনবদা ইন্দিয়াবু শৌগৎকনি হায়বা থাজবা পীখ্রবসু কোন্না নোংমগী মতূংদা চিনানা তুমিন লৈরম্বদগী ৱাঙাংখি অমসুং মাসুদ অঝারগী মতাংদা মখোয়গী ফীরেপ অদুম্মক হোংদনা লৈখি।

ঙরাং শগোলশেনগী নুমিৎয়ুংবা মতূংদা জম্মুদগী শ্রীনগরদা হায়ৱেদা পার্সোন্নেল ২৫০ হেন্না তোংদুনা লাকপা সি আর পি এফ বস ৭৮গী য়ান্নবা কনফোয় অমগী হেক মনাক্তা সুইসাইদ বোম্বর অমনা গারি অমা পীক থনবা এক্সপ্লোসিবশিং পোকখাইহল্লকখি।

এক্সপ্লোসিব কেজি ৬০ রোম য়াওরবা কার অদুনা পুলৱামাদা পোকখাইবদা ছুতি লোয়দুনা দ্যুটি অমুক তৌনবা লাকপদা পার্সোন্নেল ৪২ হেন্না হাৎখিবনি।

পাকিস্টানগী মিনিষ্ট্রি ওফ ফেরেন এফিয়ারসনা থৌদোক অদুবু থম্মোয় শোক্লা নুঙাইতবা অমনি হায়খি। অদুবু শন্নপ্পা ষ্টেমেন্ট অমদা করিগুম্বা ইনভেষ্টিগেসনশিং অমত্তা তৌদনা এটেক অদুবু ষ্টেট ওফ পাকিস্টনগা মরী লৈনহন্নবা হোৎনরিবা ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টকী নাকন্দগী অমসুং মেদিয়া সার্কলদগী মরান শীরক্লিবশিং ঐখোয়না কন্না য়ানীংদে হায়না মখা তাখি।

# মালেমগী লূচীংবশিংনা পুলৱামা টেরর এটেক কন্দেম তৌখ্রে, টেরোরিজমগী ময়োক্তা ইন্দিয়াগী লান্থেং শৌগৎখ্রে

*ৱাসিংটন /মোস্কো, ফেব্রুৱারি ১৫ঃ*

য়ু এস, রসিয়া, অষ্ট্রেলিয়া, ফ্রান্স, সাওদি অরাবিয়া, শ্রীলঙ্কা অমসুং বংলাদেসনচিংবা য়াওনা মালেমগী অকোয়বদা লৈরিবা লৈবাকশিংনা তমথিরবা পুলৱামা টেরর এটেক কন্দেম তৌখ্রে অমসুং টেরোরিজমগী ময়োক্তা থেংনবদা ইন্দিয়াদা শৌগৎখ্রে।



পাকিস্টানদা য়ূমফম ওইবা জৈইশ–ই–মুহম্মদ (জে ই এম) সুইসাহদ বোম্বর অমনা এক্সপ্লোসিব কেজি ১০০ হেন্না হাপ্পবা গারি অমা পুলৱামা দিষ্ট্রিক্তা সি আর পি এফ বস অমদা থোমগাইদুনা চখরকখিবা খ্বাইদগী মীশি–মীনা থোকহনবা এটেক অদুদা ঙরাং য়ামদ্রবদা সি আর পি এফ পার্সোন্নেল ৪০ হেন্না শিখিবনি।

এটেক অদু কন্দেম তৌরদুনা রাসিয়াগী প্রসিদেন্ট ৱ্লাদিমির পুটিননা ঙসি হায়খি, এটেক অদু চখখিবা মীওইশিং অমসুং শৌগৎপশিং অদুগী মথক্তা থবক লৌখৎকদবনি।

মহাক্কী লৈবাক্তা ইন্দিয়াদা কাউন্টর টেরোরিষ্ট কোওপরেসন্দা হেন্না কনখৎহন্নবা শৌগৎলগনি হায়খি।

য়ুনাইটেদ ষ্টেটসনা এটেক অদুবু কন্দেম তৌবা ষ্টেটমেন্ট অমদা অখন্ননা পকিস্টানদা খুদোম্বী থিনখি। পাকিস্টানদা থাবা অকনবা পাউজেল অমদা হ্বাইট হাউসনা টেরর গ্রুপ পূন্নমক্তা শৌগৎলিবদু খুদক্তা তোক্লবা অমসুং মখোয়দা শোয়–ঙামদবা লৈফম পীদনবা ইস্লামাবাদতা অপিল তৌখি হায়না ষ্টেটমেন্ট অমদা হ্বাইট হাউস প্রেস সেক্রেটরি শরাহা সেন্দরসনা হায়খি।

অষ্ট্রেলিয়াগী পোলিটিকেল লিদরশিংনসু তমথিরবা টেরর এটেক অদু কন্দেম তৌখি। লৈখিদ্রবশিংগী অমসুং শোক্লবশিংগী ইমূং–মনূংদা ঐখোয়না থম্মোয়শোক্লা অৱাবা ফোঙদোকচরি। ঐগী মরুপ প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদি অমসুং ইন্দিয়াগী মীয়ামগা লোয়ননা অৱাবা শরুক য়ারি হায়না ঙসি ইরাই নুমিৎতা অষ্ট্রেলিয়াগী প্রাইম মিনিষ্টর স্কোট মোরিসননা হায়খি।

সাউদি অরাবিয়ানসু টেরোরিজম অমসুং এক্সট্রিমিজমগী ময়োক্তা ইন্দিয়াগী লান্থেংদা শৌগৎখি অমসুং পাঙদবগী সুইসাইদ এটেক অদু কন্দেম তৌখি। য়ু এ ইগী ফোরেন এফিয়ারস এন্দ ইন্টরনেসনেল কোওপরেসন মিনিষ্ট্রিনা ষ্টেটমেন্ট অমা থোক্তুনা টেরর এটেক অদু কন্দেম তৌখি।

সাউথ কোরিয়া, ফ্রান্স, মালদিপস,বংলাদেস, ভুতান, শ্রীলঙ্কা অমসুং চিনানচিংবা লৈবাক কয়ানা পুলৱামা টেরর এটেক অদু কন্দেম তৌখি।

জৈস সুইসাহদ বোম্বরনা চখখিবা টেরর এটেক অদুদা চিনানসু থম্মোয় শোক্লা নুংঙাইতবা ফোঙদোকখি। ঐখোয়না লৈখিদ্রবশিংগী ইমূং–মনূংশিংদা অমসুং শোক্লবা মীওইশিংদা থম্মোয় শোক্লা নুংঙাইতবা অমসুং অৱাবা অমসুং নুংশিবা ফোঙদোকচরি হায়না বৈজিংদা মেদিয়াদা পীবা চাওরাকপা পাউদম অমদা চাইনিজ ফোরেন মিনিষ্ট্রিগী ৱাঙাংলোই গেংসুৱাংনা হায়খি।

# টেরোরিষ্ট থেঙনহন্নবা ফোর্সশিংদা মনিং তমহল্লগনি ঃ নরেন্দ্র মোদি



*ন্যু দিল্লি, ফেব্রুৱারি ১৫ঃ*

এটেকশিং চখহন্দুনা পাকিস্টাননা ইন্দিয়াবু মপাঙ্গল শোল্হহনবা ঙম্লোই অমসুং চেন্নরিবশিংদুনা য়াম্না অহকপা মমল অমা পীহনগনি হায়না ঙরাংগী পুলৱামা এটেক অদুগী মতাংদা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা ঙসি ৱার্নিং তৌখ্রে।

টেরোরিষ্টশিংগা থেঙনবদা মখোয়বু লাকশিন্ননবা সেক্যুরিটি ফোর্সশিংদা অথিংবা নৎত্রগা অফা অপুন লৈতনা মনিঙ তম্না থাদোক্লগনি হায়না প্রাইম মিনিষ্টরনা হায়খি।

টেররগী লূপশিং অদুদা অমসুং মখোয়বু ইনশিল্লিবা অমসুং তেঙবাংলিবশিং অদুদা মখোয়না অচৌবা অরানবা অমা তৌখ্রে হায়বসি ঐনা হায়বা পাম্মী। এটেক অসিগী মরুমদা লৈরিবা লৈবাক অদু অমসুং এটেক অসি চখরিবশিং অদু শোয়দনমক চৈরাক পীগনি হায়না দিল্লিদগী বনারসি ফাওবা চেনবা ইন্দিয়াগী খ্বাইদগী য়াঙবা ট্রেন 'বন্দে ভারত এক্সপ্রেস' লমথাবগী থৌরম অমদা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা হায়খি।

# পুলৱামা টেরর এটেকতা লৈখিদ্রবা লান্মীগী কু রাজনাথ সিংহনা পুখ্রে



*ন্যু দিল্লি, ফেব্রুৱারি ১৫ঃ*

ঙরাং জম্মু এন্দ কাস্মিরগী পুলৱামদা টেরোরিষ্টশিংগী কার বোম এটেকতা শিখিবা সি আর পি এফ পার্সোন্নেল ৪০ হেবদুগী মনূংদগী পার্সোন্নেল অমগী থৱাই য়াওদ্রবা হকচাং হাপ্পা কু অদু জম্মু এন্দ কাস্মিরগী মকোক থোংবা পুলিস ওফিসার দিলবাঘ সিংহগা লোয়ননা হোম মিনিষ্টর রাজনাথ সিংহনা পুখ্রে।

এটেক অসি লমন খুন্নবা থবক পূন্নমক গভর্ণমেন্টনা লৌখৎকনি হায়না লৈবাক মীয়ামগী মফমদা থজবা পীখিবা হোম মিনিষ্টরনা মচু অহুমগী জাতিগী ফিরলনা কুপ্লবা কু অদু মাগী মরেংবান্দা পুখি।

মহাক্কা লোয়ননা দারেক্টর জেনরেল ওফ পুলিস দিলবাঘ সিংহনসু কু অদুগী অতোপ্পা নাকন অদু থাঙ্গৎতুনা পুখি। ঐখোয়গী থৌনা ফরবা সি আর পি এফ জৱানশিংগী অথোইবা কখোকপা অসি লৈবাক অসিনা কাউররোই হায়খি।

পুলৱামাগী থৱাই কৎখ্রবা অথৌবশিংসিদা ঐগী অরোইবা ঈকাইখুন্নবা উৎচরি। কখোকপা অসি লেন্না মাঙলোই হায়খি।

# পুলৱামা টেরর এটেক মতমদা রাহুল গান্ধীনা পি এম মোদি শৌগৎখ্রে




*ন্যু দিল্লি, ফেব্রুৱারি ১৫ঃ*

কোংগ্রেস প্রসিদেন্ট রাহুল গান্ধীনা পুলৱামা টেরর এটেককী অৱাবা তারবা মতম অসিদা ঙসি প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিগী গভর্ণমেন্টা সোলিদরিটি উৎতুনা শৌগৎখ্রে।

রাহুল গান্ধীনা প্রাইম মিনিষ্টর মোদিবু শৌগৎপসি চহী ৫গী মনূংদা মসিনা সুপ্নগী অনীরক শুবনি। হন্দক সর্জিকেল ষ্ট্রোইক কুম্বা নেসনেল সেক্যুরিটিগী মরীলৈনবা অতৈ ৱাথোকশিংদা লেপখিবা মহাক্কী ফিরেপ অদুগী পূংওন ওন্নতৈনবদা রাহুল গান্ধীনা লৈবাকসিগী গভর্ণমেন্টপু শৌগৎপগী ফিরেপ অসি লৌরকখিবনি।

ঐখোয়গী লান্মী ৪০না মখোয়গী থৱাই মাঙলবা টেরর এটেক অদুগী নোংমগী মতূংদা রাহুল গান্ধীনা হায়খি, অপূনবা ওপোজিসননা সেক্যুরিটি ফোর্সশিং অমসুং গভর্ণমেন্ট অসিগা অমত্তা ওইনা পূন্না চপ লেপলি। রাহুল গান্ধীনা সেপ্টেম্বর ২০১৬গী আর্মিগী সর্জিকেল ষ্ট্রাইক মতম অদুদা শৌগৎখি অদুবু চয়োল অমগী মতুংদা তোঙানবা ফিরেপ অমা লৌখি।

# য়ু পিনা জৱান ১২গী ইমূংদা লূপা লাক্ষ ২৫গী এক্স–গ্রেসিয়া লাওথোকখ্রে

*লখনৌ, ফেব্রুৱারি ১৫ঃ*


জম্মু এন্দ কাস্মিরগী পুলৱামা দিষ্ট্রিক্তা অচৌবা টেরর এটেক অমদা শিখিবা সি আর পি এফ পার্সোন্নেল ৪২গী মনূংদা য়াওখিবা উত্তর প্রদেসতগী সি আর পি এফ জৱান ১২গী ইমূং মনূংশিংদা ষ্টেট গভর্ণমেন্টনা লূপা লাক্ষ ২৫–২৫গী এক্স–গ্রেসিয়া পীরগনি হায়না লাওথোকখ্রে।



লৈবাক্কীদমক থৱাই কখোকখ্রবা লান্মীশিং অদুগী মমিংশিংদা মখোয় মখোয়গী খুঙ্গংগী লিঙ্ক রোদ অদু মমিং থোল্লগনি। মসিদা নৎতনা উত্তর প্রদেস গভর্ণমন্টেনা লান্মীশিং অদুগী ইমূং – মনূংগী মীওই অমদা গভর্ণমেন্টকী থবক পীগনি হায়না লাওথোকখ্রে হায়না ষ্টেট গভর্ণমেন্ট ওফিসিয়েল অমনা ফোঙদোকখ্রে।

জৱানশিং অদুগী অরোইবা মথৌ–মঙম অদু গভর্ণমেন্টকী মীহুৎশিং ওইনা দিষ্ট্রিক্ট মেজিষ্ট্রেট অমসুং সেনিয়ার সুপরিন্টেন্দেন্ট ওফ পুলিসতা নত্তনা ষ্টেট গভর্ণমেন্টকী মিনিষ্টর অমা য়াওগদবনি অমসুং মপূং ফাবা ষ্টেট ওনরসকা লোয়ননা শোয়দনমক পাংথোক্কদবনি হায়বা দিরেক্টিবশিংসু থোকখ্রে।

# টর্কিদা ক্লেরিক ফেথুল্লাহা গুলেন শৌগৎপশিংগী মথক্তা চখবা ওপরেসন্দা ১৩০ রোম ফাখ্রে



*য়ু এসতা লৈখ্রেবা ক্লেরিক ফেথুল্লাহা গুলেন*

*ইষ্টানবুল, ফেব্রুৱারি ১৫ঃ*

য়ু এসতা লৈখ্রবা ক্লেরিক ফেথুল্লাহা গুলেনগী শৌগৎপশিংগী মথক্তা ঙরাং টরকিনা মীওই ১৩০রোম ফানবা ওর্দর তৌবগা লোয়ননা খ্বাইদগী চাওবা ওপরেসন অমা চখখ্রে।

লৈঙাক্কী শক্তি মুন্নবা লান্মীশিংনা ৱার প্লেনশিং অমসুং হেলিকোপ্টরশিং অমসুং টেঙ্কশিং শিজিন্নখিবা চহী ২মখাগী মতূং ফাওবদা ওথোরিটিজনা শৌগৎপশিং অদুগী মথক্তা মখোয়গী ওপরেসন তোকপা লৈত্রি হায়বসি ঙরাংগী ওপরেসন অদুনা উৎলি।

প্রসিদেন্ট টায়েপ এরদোগানগী হান্নগী এলাই অমা ওইরম্বা প্রিচর ফেথুল্লাহা গুলেননা শীনবনি হায়বা মায়থিখ্রবা লৈঙাক পায়শিন্নবগী হোৎনরকপা অদুদা মীওই ২৫০ হেন্না শিখিবনি।

গুলেননা ১৯৯৯গী মতূংদগী মশা মতোমতা লোই থাজদুনা পেনসিলভানিয়াদা লৈখ্রে। লৈবাকপোকপা নুমিৎকী ওপরেসন অদু দিপুটি ইনস্পেক্টরশিং লৌনবগী ২০১০দা পাংথোকখিবা পুলিস ফোর্স একজামিনেসনগা মরি লৈনবনি। হায়রিবা একজামিনেসন অদুদা কেন্দিদেট কয়ামরুন্না মাঙজৌননা ৱাহংশিং–কোইসনশিং ফংখি হায়না গভর্ণমেন্টনা মপূ ওইবা এন্নাদোল্লু ন্যুজ এজেন্সিনা হায়খি।

অঙ্কারা চীফ প্রোজিক্যুটরস ওফিসনা চখখিবা ওপরেসন অদুদা হৌজিক ফাওবদা চীংনবা মীওই ১২৪ ফাখ্রে। ওপরেসন অদু প্রোভিন্স ৭৭তা চৎথখি। মীওইশিং অদুগী মনূংদা থবক তৌরিবা পুলিস ওফিসার কয়া য়াওবগে হায়বা শেংনা খঙদ্রি।

গুলেন শৌগৎপশিংগী মথক্তা অচৌবা ওপরেসন অমা চখনবা থৌরাং তৌরে হায়না নোংমাইজিং নুমিৎতা ইন্টরিয়র মিনিষ্টর সুলেমান সোয়ুনা হায়খি। ফত্তবা মীওইশিং অদুনা মখোয়না মমাঙদা তৌখিবা অদুগা মান্ননা তৌবা য়াহল্লরোই। ঐখোয়না মখোয়বু লোয়শিলগনি হায়খি।

নেসনেল সেক্যুরিটিদা পীরক্লিবা অকীবশিং থেঙননবা খোঙতাংশিং অসি মথৌ তাই হায়না টরকিজ ওথোরিটিজনা হায়রি। গভর্ণমেন্ট খুদম চনশিন্নবা, অদুবু মায়থিখিবা খোঙথাং অদুদা মীওই ৭৭০০০ হেন্না ফাদুনা জেলদা থমখি। মখোয় হৌজিক ৱায়েল ময়োক্নরি। হৌজিকসু পাকশন্না মী ফাবগী থবক চাংনাইনা চখরি। ওথোরিটিজনা সির্ভিল সার্ভেন্ট অমসুং মিলিটরি পাসোন্নেল ১,৫০,০০০ সস্পেন তৌখ্রে নৎত্রগা থবক থদৎখ্রে। কু অদুগী মতূংদগী জেনরেল অমসুং এদমিরেল ১৫০ য়াওনা মিলিটরি পার্সোন্নেল ১৫,০০০ হেন্না থবক্তগী লৌথোকখ্রে হায়না হান্নগী চীফ ওফ ষ্টাফ ওইরম্বা দিফেন্স মিনিষ্টর হুলুসি আকবরনা হায়খি।

ওথোরিটিজনা গুলেন অমসুং মহাক্কী শৌগৎপশিংগা মরীলৈনে হায়না মরান শীবা ফার্ম চা কয়ামরুমগী থবক পায়শিনখ্রে অমসুং মেদিয়া আউটলেত ১৩০ হেন্না থিংজিনখ্রে।

অঙ্কারানা মপাল লৈবাক্তা মুভমেন্ট অদুগী শৌগৎপনি হায়বা মীওইশিংগী মথক্তা থবক লৌখৎপা হেনগৎলক্লি অমসুং গুলেন মশামক, অমসুং য়ুরোপ, এসিয়া অমসুং য়ুনাইটেদ ষ্টেটসচীংবদা লৈরবা অতৈ কয়া এক্সট্রাদিসন তৌনবা থবক লৌখৎলি।

# জম্মুদা অকনবা প্রোটেষ্ট চখরকখ্রে কার্ফ্যু থমখ্রে, আর্মি ষ্টেনবাইদা থমখ্রে

*জম্মু, ফেব্রুৱারি ১৫ঃ*

জম্মু এন্দ কাস্মিরগী পুলৱামাদা সেক্যুরিটি পার্সোন্নেল ৪০ হেন্না শিখিবা টেরর এটেক অদুগী মতূংদা মীয়াম্না মীওই খরদা খূৎ থারকখিবা অমসুং গারীশিং মৈ থাবগী থৌওং চখরকপদগী ঙসি ইরাই নুমিৎতা জম্মু সিটিগী মফম কয়াদা কার্ফ্যি থমখ্রে।

মীওই খূৎপু–খূৎপুশিংনা মীওই কয়ামরুমদা এটেক তৌখি মদুদা মীওই ১২ হেন্না শোকখ্রে হায়না লিখুন কয়ামরুন্না ফোঙদোক্লি।

ফ্লেগ মার্চ চৎনবা অমসুং শান্তিগী ফিভম ঙাক্তুনা থন্নবা আর্মি কলম অনী থাজিনখ্রে। কাংলূপ মশেন লম্মন খুন্নবগী থৌদোক থোক্লক্কদ্রা হায়না ওথোরিটিজনা চীংনবদগী কার্ফ্যু থমখ্রে।

কার্ফ্যু থম্লে হায়না লাউদস্পিকরদা লাওথোক্লবা ফাওবদা প্রোটেষ্টরশিং অদুনা, মরুওইনা অরিবা সিটি অদুদা ওমশিন্দুনা অদুমক লৈখি। মফম অদু থাদোক্তুনা চৎখ্রো হায়বা য়াখিদে। জম্মু সিটিদা লম্বীদা গারী চৎখিদ্রে। দুকানশিং অমসুং মার্কেটশিং লোয়নমক থোঙ লোনখ্রে।

জুয়েল চোপ, পুরানি মন্দি রেহারি শক্তিনগর, পক্কাদঙ্গা, জনিপুর, গান্ধীনগর অমসুং বক্সিনগর য়াওনা মীয়ামনা লম্বীদা থোরক্তুনা অচৌবা মওংদা এন্টি–পাকিস্টা প্রোটেষ্টশিং তৌখ্রে।

দেমোষ্টেটরশিংনা এটেক অদু লমন খুমগদবনি হায়না দিমান্দ তৌদুনা লম্বীদা বেরিকের্দশিং থমখ্রে।

# এ আই এ দি এম কেগা বি জে পিগা এলায়েন্স তৌননবা ৱারি লোইশিন্নখ্রে



*চেন্নাই, ফেব্রুৱারি ১৫ঃ*

এ আই এ দি এম কে অমসুং বি জে পিনা তামিল নাদুদা লোক সভা মীখলগীদমক ইলেক্টোরোল দিল অমা তৌননবা ৱারি লোইশিন্নখ্রে। য়ুনিয়ন মিনিষ্টর পীয়ুশ গোয়ালগা তামিলনাদুগী মিনিষ্টর অনীগা ঙরাং নুমিদাং অথেঙবা ফাওবা ৱারি শান্নরবা তূংদা ৱাফম অদু খন্নখিবনি। অদুবু সিট য়েন্নবগী মতাংদা য়ানবা অমা পুরক্কদবদি ৱাৎলি হায়রি।

তামিল নাদুগী অপূনবা সিট ৩৯গী মনূংদা ঐখোয়না সিট ১০ পাল্লি অদুবু এ আই এ দি এম কেনা সিট ৬ পীবা পাল্লি। নুমিৎ খরনিগী মনূংদা সিট য়েন্নবগী দিল অমা তৌনরগনি হায়না সেনিয়ার বি জে পি লিদর অমনা পাউগী এজেন্সিদা ফোঙদোকখ্রে।

বি জে পিনা সিট ১০গী দিমান্দ তৌরক্লিবা অদুদা য়ানীংদবগী মরম ফোঙদোক্লদুনা এ আই এ দি এম কে লিদর অমনা করিগুম্বা বি জে পিদা সিট মশীং হেন্না পীখিবা তারবদি মদুনা দি এম কেগী খুদোং চাবা লৌনবগী মচাক অমা ওইগনি হায়না ঐখোয়না মখোয়দা খঙহনখ্রে হায়খি।

| সনা–সুদোকু –৪১ গী সোল্যুসন | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 3 | 6 | 7 | 5 | 4 | 2 | 1 | 8 | 9 |
| 5 | 9 | 8 | 6 | 1 | 7 | 3 | 2 | 4 |
| 2 | 1 | 4 | 8 | 3 | 9 | 5 | 7 | 6 |
| 7 | 8 | 3 | 2 | 6 | 4 | 9 | 5 | 1 |
| 6 | 4 | 9 | 1 | 8 | 5 | 7 | 3 | 2 |
| 1 | 5 | 2 | 9 | 7 | 3 | 6 | 4 | 8 |
| 4 | 3 | 6 | 7 | 2 | 1 | 8 | 9 | 5 |
| 9 | 7 | 1 | 4 | 5 | 8 | 2 | 6 | 3 |
| 8 | 2 | 5 | 3 | 9 | 6 | 4 | 1 | 7 |

## SANA - SUDOKU

*Rules :- Nos. given in the grid should not be changed. Free boxes is to be filled with numbers from 1 to 6 horizontally and vertically without*

**Hard Sana Suduku-42**

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| | | 7 | 1 | 2 | | | 9 | |
| | 8 | | | 7 | | | 4 | 3 |
| 3 | 1 | | | | 4 | | 7 | |
| | 9 | | | 3 | | 6 | | 4 |
| 4 | | 2 | | | 9 | 7 | | |
| 7 | | | 2 | 4 | | 3 | | |
| | 7 | 3 | 4 | | 2 | | | 1 |
| 1 | | | 3 | | | 4 | | |
| | | 4 | | | 1 | 2 | | |

## GAS TODAY

**Bashikhong Indane**
Booking : 31/12/18
Sl. No. : 34321
Valid : 22/12/18
Stk : 306
Time : 07.30 to 10.30 a.m.

**Imphal L.P.G. Service**
Booking : 02/02/19
Valid : 08/12/18
Sl. No. : 250
Stk : 306, 5kg Available
Time : From 08.00 a.m.

**Canchi Service Indane**
Booking : 24/12/18
Valid : 21/12/18
Stk : 612
Time : 08.00 to 10.00 a.m.

**Yairipok Gas Service**
Booking : 05/01/19
Valid : 02/01/19
Stk : 306
Time : 07.00 to 10.00 a.m.

**Manipur Gas**
Booking : 20/12/18
Valid : 15/12/18
Stk : 612
Time : 07.30 to 09.30 a.m.

**Athokpam Indane**
Booking : 25/12/18
Valid : 19/12/18
Stk : 612
Time : 07.00 to 10.00 a.m.

**Hrangchal Gas Acency**
Booking : 10/01/19
Valid : 03/01/19
Stk : 612

**Hiyangthang Indane**
Booking : 29/12/18
Valid : 24/12/18
Stk : 612
Time : 07.00 to 10.00 a.m.

**Lambodara Indane**
Booking : 14/02/19
Valid : 31/01/19
Stk : 612
Time : 07.30 to 10.00 a.m.

**Mahalakshmi Indane**
Booking : 09/01/19
Sl. No. : 240010
Valid : 02/01/19
Stk : 306
Time : 09.00 to 12 noon

**K & K Indane Service**
Booking : 23/01/19
Sl. No. : 600
Valid : 19/01/19
Stk : 306
Time : 07.30 to 11.00 a.m.

**Maibia Gas, Moirang**
Booking : 12/12/18
Sl. No. : 6610
Valid : 10/12/18
Sl. No. : 5996
Stk : 306
Time : 07.00 to 11.00 a.m.

**Khongnang Gas, Bisnupur**
Booking : 23/12/18
Valid : 11/12/18
Stk : 306
Time : 07.30 to 10.30 a.m.

**Misao Gas**
Booking upto : 12/01/19
Valid from : 20/12/18
Stk 612
Time : 07.30 to 10.00 a.m.


## In the Court of the Sub-Deputy Collector
**Bashikhong, Imphal East**
*Ref. :- Mutation Case No. 90/SDC/B/IE/2019*

Ningombam Sangeeta Devi W/O (L) N. Jotin Singh of Kongba Kshetri Leikai

***- Petitioner***

***-Vrs-***

Ningombam Jotin singh S/O Gopal Singh of Kongba Kshetri Leikai.

***- Pattadar***

**NOTICE**

*Bashikhong , the 14th, Febuary, 2019*

অসিনা মরম ওইদুনা Under Section 46 (3) of MLR & LR Act 1960 গী মতুং ইন্না ইঃ ইঃ তাহশিল খুল নং ৩৪–উচেক্কোন পট্টা নং **১৪১/৮৪১** অনৌবা দাগ নং **৩৭২/১০২৩** মোট এরীয়া **০.০৯৭৫** একর চাওবা **ইংখোল** অসিগী পট্টাদার **নিংঙোম্বম জোতীন সিংহ পিং গোপাল সিংহ সাং কোংবা ক্ষেত্রী লৈকাই**দা লৈবা অসি মৃঃ ওইখ্রে। মরম অসিনা মৃঃ পট্টাদারগী মমিংদা লৈবা **ইংখোল** অসি মথক্তা পনলীবা দরখাষ্ট কারী অসিনা সত্তা ওইনা ফংজরে, অমসুং নমা ওখোকপীরো হায়না উক্তা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে।

মরম অসিনা লম অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়েৎপীনিংবা লৈরবদি খবর অসিদা ফোঙখিবা মতুং নুমিৎ ৭ (তরেৎ)নি ফাওবগী মনুংদা উক্তা কোর্ট অসিদা লাক্তুনা অপটি(Objection) চে পীশিনলবা য়াগনি, মতুং লাকপা অপটি (Objection) অমতা লৌজরোই, কোর্টকী হৌনবী মতুং ইন্না কেস মখা চৎথরগনি।

**Sd/-**
**Sub-Deputy Collector,**
Bashikhong Imphal East

*SL/BILL(R)/16(A)*



## In the Court of the Sub-Deputy Collector
**Bashikhong, Imphal East**
*Ref. :- Mutation Case No. 89/SDC/B/IE/2019*

1) Chingakham Biren Singh S/O (L) Ibohal Singh of Kyamgei Mayai Leikai.
2) -do- Bhubon Singh S/O (L) -do- of -do-
3) -do- Tomba Singh S/O (L) -do- of -do-

***- Petitioners***

***-Vrs-***

Chingakham Ibohal Singh S/O (L) Tomal Singh of Kyamgei.

***- O. P.***

**NOTICE**

*Bashikhong , the 14th, Febuary, 2019*

অসিনা মরম ওইদুনা Under Section 46 (3) of MLR & LR Act 1960 গী মতুং ইন্না ইঃ ইঃ তাহশিল খুল নং **৬৮–কিয়ামগৈ** পট্টা নং **২৪৫** অনৌবা দাগ নং ৫০৩ মোট এরীয়া ০.২৩ একর চাওবা **ইংখোল** অসিগী পট্টাদার **চিংঙাখম ইবোহল সিংহ পিং মৃত তোমাল সিংহ সাং কিয়ামগৈদা** লৈবা অসি মৃঃ ওইখ্রে। মরম অসিনা মৃঃ পট্টাদারগী মমিংদা লৈবা **ইংখোল** অসি মথক্তা পনলীবা দরখাষ্ট কারী অসিনা সত্তা ওইনা ফংজরে, অমসুং নমা ওখোকপীরো হায়না উক্তা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে।

মরম অসিনা লম অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়েৎপীনিংবা লৈরবদি খবর অসিদা ফোঙখিবা মতুং নুমিৎ ৭ (তরেৎ)নি ফাওবগী মনুংদা উক্তা কোর্ট অসিদা লাক্তুনা অপটি (Objection) চে পীশিনলবা য়াগনি, মতুং লাকপা অপটি (Objection) অমতা লৌজরোই, কোর্টকী হৌনবী মতুং ইন্না কেস মখা চৎথরগনি।

**Sd/-**
**Sub-Deputy Collector,**
Bashikhong Imphal East

*SL/BILL(R)/16(B)*